## লায়ননা তীলনদগী ঙাকথোকপা

মরু ওইবা লায়নশিংদি Seedling mortality - ঙল্লিডৈ মতমদা পাম্বীশিং কংশিনবা, Rust- পাম্বীশিং কোলহিং মচুগী দাগশিংনা তাশিনবা।

মরুদা হিদাক তোৎপনা seedling mortality দাগী ঙাকদোকই। Rust দগী ঙাকথোক্নবগীদমক Tricyclazole গ্রাম ১০ / Propiconazole 75% WP মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিতর ১৫ দা য়ান্দুনা কাপথোকপিগনি।

**লোকপা** - থরাকশিং নাপু মচু লাকপা মতমদা খুৎনা ফোইবা নম্রগা থাংগোন্না থাওদুনা লোকপিগনি।





**পোখোক** - নিংথিজনা থাবা মুশোরি পরি অমগী লৌফমদগী কিলো ১০০০-১২০০ ফাওবা লোকপা ঙম্মি।

---

*Prepared By :*

**N. Tomba Singh**
*Subject Matter Specialist (Agronomy)*

*For further information*
*Please Contact :*
*Senior Scientist & Head*

***Krishi Vigyan Kendra, Thoubal***
***Department of Agriculture***
***Govt. of Manipur***

*Leaflet No. 5/2022*

# (LENTIL)

## বৈগ্যার্নিক ওইনা হৱাই মুশোরি থাবা

ICAR



**KRISHI VIGYAN KENDRA, THOUBAL**
**Department of Agriculture**
**Govt. of Manipur**

# (LENTIL)

## বৈগ্যার্নিক ওইনা হৱাই মুশোরি থাবা

হৱাই মুশোরি ফৌ লোকখুবা লৌফমদা থাবা য়াবা নিংথম হৱাই মখল অমনি। পাম্বী মখল অসি নেমতক তৌবা ঈশিং ৱাৎপা, ঈশিং চন্দ্রসু য়াবা লৌফমশিংদা থাবা য়াই। পাম্বী মখল অসিদা fibre 63%, iron 37%, protein 36%, carbohydrate 60% অমসুং potassium 21% য়াওই। হৱাই মখল অসি লৌফমদা লৈহাও হনগৎনবা থাবসু য়াই।

### মনিপুরদা থাবা য়াবা চান্নবা হৱাই মখলশিংঃ

VARIETY HUL 57, IPL-316, IPL-220, L-4076



### থাবগী মতমঃ

October থাখায়দগী November থাখায় ফাওবনা খ্বাইদগী চান্নবা মতমনি অদুবু মনিপুরগী লৌফমশিংদা লৌ লোকপা মতম থেংবনা November থাখায়গী মতুংদগী December থা ফাওবা পোত্থোক খরা হন্থরবসু থাবা য়াই।

### থাবগী মওংঃ

১। খোইদনা হুনবা : ফৌ লোকখুবা মতুংদা লৌফম খোইদনা মরুশিং হুনজিন্দুনা থাবা য়াই।

২। কা হেন্না খোইদনা থাবাঃ Tractor অমদি Seed drill গী মতেংনা মরু তাফমদা শেমলগা থাবসু য়াই।

৩। ফৌ লোক্লিঙৈদা হুনজিনবা ঃ ফৌ লোক্কদবা নুমিৎ ১০দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা ফৌগী লৌফমদা মরুশিং হুনজিন্দুনা থাবসু য়াই।

৪। খোইদুনা থাবা ঃ ফৌ লোকখুবা মতুংদা নিংথিনা খোইদোক্লগা পরেং নম্রগা মরুশিং হুনজিন্দুনা থাবসু য়াই।

### চান্নবা অইং অশাঃ

মুশোরি অইংবা হৱা নুংশিত্তা হৈনবা নিংথম পাম্বী মখল অমনি, ঙল্লিঙৈ মতমদা অইংবদা হৈনবা অমদি মহৈ য়ানবা মতমদা ময়াই ওইরপনা শাবা দরকার লৈ। মশা মউ ফানা হৌনবগীদমক চান্নবা অইং অশা সেলসিয়স দিগ্রি ১৮-৩০ চাং দরকার ওই।

### লৈবাক লৈহাও

মখল মখা কয়াগী লৈবাক লৈহাওদা মুশোরি থাবা য়াই অদুবু খ্বাইদগী চান্নবা লৈবাক লৈহাওদি ঈশিং নিংথিনা চুমথবা য়াবা Sandy loam অমদি pH value 6.0 - 6.4 ওইবা ময়াই ওইরগা শিনবা লৌফমশিংনা হেন্না চানৈ।

### মরুগী চাং -

মতম চানা থানবগীদমক, কিলো ৩০-৪০, খরা থেংনা থানবগীদমক কিলো ৫০-৬০, অদুগা খোইদনা থানবগীদমক মথক্তা পিজরিবা চাংশিদগী চাদা ১৫ দগী ২০ ফাওবা হেনগৎলগা হুনবিগনি। মরুশিং হুনদ্রিগী মাঙওইননা Thiram 75% WS/Captan 50% WP/Carbendazim 50% হিদাক মরু কিলো অমদা গ্রাম ৩-৪ গী চাংদা তোৎপিগনি।

### মচিঞ্জাক পীবাঃ

মুশোরি থাগদৌবা লৌফমদা Urea 55 kg , SSP 250 kg অমসুং Potash 50 kg পারি অমদা হাপতুনা থাবিগনি। মসিগী মথক্তা Urea গ্রাম ২০০ ঈশিং লিতার ১০ দা থিৎলগা Flowering and Pod filling stage দা কাপলবদি চাথোক হেনগৎহনবা য়াই।

### হবেংবা

নাপীদগী ঙাকথোক্নবগীদমক খুৎনা অনিরক হায়বদি নুমিৎ ২৫-৩০ অমসুং নুমিৎ ৪৫-৫০ ফাওবা মনুংদা পেংবিগনি। নাপীশিং হৌদ্রিঙৈ মরু হুল্লবা মতুংদা নোংমা নিনিগী মনুংদা নাপী হিদাক Oxyfluorfen/ Pendimethalin কিলো ১ পরি অমদা শিজিন্নবা য়াই।

### ঈশিং চনবা

হৱাই মুশোরি মহৌশানা ঈশিং চনবগী খুদোংচাবা ঙেতবা লৌফমদা অয়াম্বনা থানৈ। অদুবু নোং চুদবা মতম অদুগা ঈশিং পিবগী খুদোংচাবদি লৈবা লৌফমশিংদা Flowering অমদি grain filling গী মতমদা ঈশিং পিরবদি পোত্থোক হেনগৎকনি।